# রিচার্দকী হিষ্টোপেথোলোজিকেল টেষ্ট এইমসতা থাখ্রে

*বেঙ্গলোর, মে ২৬ঃ* এপ্রিল ১৮ দা বেঙ্গলোরগী হোষ্টেল কা মনুংদা শিনা লৈরম্বা থেংনখিবা মণিপুরী মহৈরোই রিচার্দ লোইতামগী মিশি অদুদা চেন্নবনি হায়বা মীওইশিং অদু মতিক চাবা চৈরাক পীহন্নবা অকনবা খোঙজঙ চঙশিল্লকপগা লোয়না সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি বি আই) না মশাগী চহী ১৯ শুরবা মহৈরোই অসিগী হকচাং কয়াৎতা পাঙথোকখিবা হিষ্টোপেথোলোজিকেল টেষ্ট অদু অনিশুবা জজমেন্ট অমা লৌনবগীদমক্তা নিউ দিল্লিগী ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমসতা) নৌহৌননা থাখ্রে।

হান্নগী টেষ্ট রিজল্ট অদু পুরগা দিল্লিদা খোঙলৈ থুনা চৎনবা মাদনায়াকানাহল্লি পুলিসতা ওর্দর পীখ্রে হায়না বেঙ্গলোর রুরেল এস পি ওইরিবা দি প্রকাশনা ফোঙদোরক্লি।

য়াম্না চমন্নবা ফিভম অমদা লৈখিদ্রবা নুপামচা অসিগী মীশি অদু পাউগী চেন্নেল খুদিংমক্তা অকনবা মওংদা খন্ন-নৈনরক্লি। পুলিসনা থৌদোক অদুবু লোৎশিন্দুনা থম্নবা হোৎনরকপদগী লৈবাক অসিগী মফম শিনবা থুংনা লৈরিবা মীয়ামগী পুক্নিং চিংশিনখিবা অৱাং-নোংপোক লমদমগী অকনবা ঈহৌ অসি হৌরমদবা তারবদি মণিপুরী মহৈরোই অসিনা শিরিবা মীশি অদু কনানশু খঙনরম্লরোইবনি।অহানবদি পুলিসনা মীশি অদু এক্সিদেন্টনি হায়জিন্দুনা কেস লোইশিন্নবা হোৎনখি। অদুবু ইমুং-মনুংগী মীওইশিং অমসুং মশুং-মমান্নবশিংনা থিগৎলকপদগী লোইতামগী কোক্তা থিনা শোকখিবা, নুমিৎ  নিনিগী মমাঙদা কলেজগী কেম্পস মনুংদা সেনিয়ার মহৈরোই খরগা এটেক তৌখিবগী থৌদোক অমদা মহাক শিখিবনি হায়বসি খঙনরকখি।